# হৌজিক্তি ঐ তানীংলে-সুপ্রিম কম্মান্দরগী ৱারোল অমা

লৈরক-খুল্লক, ওফিস-হোটেল, মীওই মঙা-তরা তিল্লবা, কুকি-মৈতৈ-কনফ্লিক্ট অসিগী ৱারী নত্তবা অমা শান্নরম্লি থাজদে। ঐগী কলম অসিবু মমায় চুন্লিবা ৱাখলসিসু অমহানি। অতৈ অমা খল্লু য়াদে। অতৈ ৱারেং ইনীংদে। ঙরাং ঐনা ফার্মাসিদা দাইবেটিসকী হীদাক লৈগে চঙলুবা, দুকান মপুদুনা হায়রকই, ‘চুড়াচান্দপুরদদি মৈতৈ হায়বা ফুরুপসি অমুক হন্না মশক ফাওবা উৎলবা য়াররোই হায়নে, নঙবু করি তাবগে... প্রেসকা নক্লা লোয়নবনিনা নঙোন্দই লৌবা পাউসিনা খরা হেন্না চুমগদ্রা, হংলিবনি’...।

‘প্রেসনা ফংবা পাউদুনি, মীয়ামসিনা ফংলিবা... করি হেন্না খঙলুগনি ঐনবু’... ঐনা খুল্লম্বা পাউখুমনি। ৱারেংসিদা ঐহাক্না ইজরিবা খরসিদি পাউ নত্তে। তাখিবা পাউ ময়ামদুনা খনহল্লকপা ৱাখল পরিং অমনি। অমিট শাহ লাক্ত্রিঙৈ তারম্বা পাউ, খল্লম্বা ৱাখল... খনখিবনি - অচুম্বদু খঙলগা অশেংবদু উরগা, মহাক্না হনখ্রবা মতুংদা নুংঙাইবা পাউ তাগনি। অদুবু, ঐগী ৱাখল তায়ওন্নখি। মহাক্না ইম্ফালদা উন্নখিবা ওফিসরশিং, কৈথেলগী ইমা-ইবেলশিং, স্কোলর/ইন্টেলেকচ্যুঅল মীহুৎশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী মেম্বরশিংগা উন্নদুনা শাখিবা ৱারী-ৱাতাই অদু লমদমসিগী মীয়ামগী খোঞ্জেল তানবা, অশেংবা শক্তম খঙননবা হোৎনবা নত্তে, মাগী ওইবা ‘পূক্নিংগী ৱা’ ইমপোজ তৌবা লাকপনি। কুকি-লালহৌ-লূপশিংগা তৌনবা ‘সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন’ টর্মিনেট তৌনবা মীয়ামগী দিমান্দ অমসুং কুকি-মিলিটেন্টশিংগা অসাম রাইফলস-জৱানশিংগা মীচং ওইনা লেপমিন্নৈ হায়বা এক্ক্যুজেসন, ঈরাং খাম্নবা থাজিল্লকপা পর্সনেলশিং য়েংদুনা লৈরগা কুকিশিংবু মৈতৈগী য়ূম মৈ থাহল্লি হায়বা চার্জ’নচিংবগী ৱাফমদা তূমিন লৈশিনখিবসিনা মাবু চিংনহনবনি। চুড়াচান্দপুর, মোরে অমসুং কাংপোকপী’দা মীয়ামগী মীহুৎশিংগা অরোনবা কাদা ৱারী শানখ্রবসু মহাক্না পাঙথোক্কনি লাউথোল্লকপা ৱাফমদুদদি ‘মখোয়না হায়বা তায়’ হায়বা ময়েক শেংনা উৎথোরকই। ‘শান্তি হনজিন্নবা থবক পাঙথোকপদা মীচং-মীখাই নাইবা থবক তৌরোই’ - মচিন্না হায়জরগসু, অসাম রাইফলস’না কুকিগী মীচংদা লেপ্পী হায়বা ৱাফমসিমদি মহাক্লসু ‘দিনায়’ তৌরমদে।... ‘মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা, শীংথাবা য়াবা থবকসু তৌরম্বনিদা’... হায়বা কম্মেন্ট অমা পাউখুম ওইনা পীরন্লিবদুনি। ‘ইফোং ফোংনা খঙনরবা ৱাফম’সিদা মীয়ামগী চিংনবা কোক্লবা তৌফম থোকপা তৌ’- অসাম রাইফলস’তা কম্মান্দ তৌরমদে। মহাক হনখ্র’ মতুংদসু এটেক তৌনবা লেপ্তুরি, নোংমৈ অদুম কাপ্নরি, মণিপুর ষ্টেট পুলিস’কা অসাম-রাইফলস জৱান’গা ঙসিসু অদুম উংখৎনরি। অসাম রাইফলস জৱানশিং, কুকি, মিলিটেন্টশিংগী পোটেক্টরনি, মৈতৈশিংগী য়েক্লবনি হায়বই প্রমান হেন্না ময়েক শেংলক্লি। জুন তারিখ ২, ২০২৩, শুগনু পুলিস ষ্টেসন’দা থোকখিবা থৌদোক, ৩৭ অসাম রাইফলসকী বুলেট প্রুফ (টকশক) গাড়ী অহুমদা খূৎলায় পায়বা জৱান ময়াম লাক্লগা, গাড়ী অনী’না পুলিস ষ্টেসনগী মেন-গেট অমদি সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসরগী গেট’তা থৎচিন্দুনা থল্লগা, অহুমশুবা গাড়ীদুনা সেরৌ তাবা লম্বীদা ফৈজিন্দুনা থমখিবা... খোইশাওনরবা পুলিস কম্মান্দোশিংগা খূৎ থোক্লগে তৌখিবা.. . অদুদগী হেন্না ময়েক শেংবা প্রমান করি লৈগনি? ঐখোয়গী এম এল এ’শিং - তানফম অসি য়ৌর’ফাও তূমিন লৈরি করিগী? দেল্লী চৎসি লাউরুসি- ‘অসাম রাইফলস লৌথোকখো... সু-এগ্রিমেন্ট ৱিথদ্রো তৌ’...। ইন্দিয়ন আর্মিগী দবল রোল এক্সপোজ তৌসি নেসনদা।

নুমিৎ হুমনি লৈদুনা ৱাথোক অসি লোইশিন্নি, মৈজাও অসি মূখৎকনি হায়রম্বা... নুমিৎ কুনগনিপানবু কাংপোকপীগী কুকিনা হায়ৱে অমা থিংদুনা ষ্টেটসিগী মীয়ামগী খৌরি চরম মেৎপফাও তোকহল্লম্বা ঙমদবা! ... ইখূৎসিনা ইনীংদ্রে, চীনবানসিনা হায়নীংদ্রে... নাকপাক অমই ৱাকৎনা তারে, খঙলে ৱারুনু হায়বই ইঙ্গিৎ অমদি ময়েক শেংনা উৎলম্মী। পঙবদগী পঙলবা ঐহাক্লফাও খঙবা ৱা- শিংবদগী শিংলবা লৈঙাক মপু মানদি খঙবা ঙল্লোই করিগী? ঈরাং’সি নেমথহন্নবা পিছ-কম্মিটি শেমগনি, মেদাম গভর্ণরবু কম্মিটিসি লুচিংহনগনি... ইন্দিষ্ট্রিঅলিষ্ট’তগী হৌরগা মীওই কাঙলূপ খুদিংমক্কী মীহুৎশিং কম্মিটিসিদা য়াওহনগনি... চৎলমদাইদা মীদিয়াগী খূত্থাংদা লাউথোল্লম্বা! ৱারোলসিগী নুংদা লোৎলিবা ফোঙদোক্তবা ৱারোল... মীচম ঐখোয়না খঙদ্র’সু লৈঙাকসিদা য়াওরিবা ঐখোয়গী মীহুৎ মখোয়দি খঙফম থোকইনা!... ‘লৈবগী কান্নদ্রবা নখোয়নি, নখোয়দা থৌদাং শিন্নরোই’... ময়েক শেংনা হায়রবনি। পিপলস ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্ট অমা লৈনা লৈনা, লৈবাকসিগী খ্বাইদই লুরবা তানফমসিদা লৈবাক্কী ঈরাং লাকশিন্নবা শেম্বা কম্মিটি অদুদা গভর্ণমেন্ট অদু য়াওহন্দবা! ...‘ঐখোয়’ পার্টিনা শেম্বা লৈঙাক ওইরম্বগী থম্বনি ... নখোয় নশক য়েংনীংদে, নৱা লৌদে’... হায়বগা চপ মানদ্রা? প্রসিদেন্টস-রুলগা করি খেন্নৈ? ঐদি খল্লি - অনাবা হেনজিল্লক্তুনা, নখোয় নফম লৌথোক্লে, ‘এসেমব্লি দিজোল্ভ তৌরে’ লাউথোরক্ত্রিঙৈ, ইরেম লেম্না ‘অসিগুম্বা ফীভমদা এম এল এ ওইনা লৈরুবগী কান্নদে, ইরৈবাক্কী খল্লগা ঐহাক ফম থাদোক্লে’ লাউথোকপনা, মাঙখ্রবা মীয়ামগী থাজবা হনজিনহনবা ঙমগনি। ‘ওল্ড-ৱাইন ইন ন্যু বোট্টল’ হায়বদুগুম অওনবা লৈঙাক লাকপদা হান্নগী লৈঙাকপা খরদুগী মফম ফংগনি। অদু নৎত্রবা, চহী কুন্নিথোইগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক্তু নীংশিংসি। হন্দক্কীসিনা হেন্না শাথীগনি। হিন্দুত্ব-য়োকপা পার্টিনিদি হায়রগা পীল্লবা চীংনুংগী তম্পাকসিদা খুবাম অমফাওবা ফাদনা লৈজবা, হিন্দু-ফিলোজোফি’দা থাজজবা পীকখ্রবা ফুরুপ অসিদা অসুক তমথীবা মীওৎ-মীনৈ... খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ অদু লাল্লমদাই মীকুপ অদুনি! মরীন-চৎলবা রব্বর মচেৎ অমগী চিংবা য়াবা চিংলগা চিংবই পনখৈ লোইরবা তৎলমদাই লিমিট অদুনি। খঙমিন্নসি- হন্দকমুকপু তৎখ্রবা, অমুক শম্বা য়াররোই, সেফ্রোন পার্টি পোলিটিক্স মীয়াম্না থাজবা মাঙখ্র’নি।

অদুগা, ইন্দিয়াবু নীংতম্বা লৈবাক ওইহল্লকখিবনি হায়জবা, লৈবাকসিগী খ্বাইদই লীরবা পোলিটিকল পার্টিনি চাউথোকচরিবা পার্টি। ৱী আর দ ওনলি ওলটর্নেটিভ... অওনবা অমা লাক্লবা ঐখোয় নত্তনা কনা লৈ... খনজবদুসু লানগনি। মাইনোরিটি-কার্দ-পোলিটিক্স, মখোয়গীসু হৈনজবা সবজেক্ট’নি। কনাগুম্বগী এসপিরেসন’নি - মোদি’না ৱা ঙাঙদ্রসু গান্ধী’দি ঙাঙফম থোকপনি। রাহুলনা ৱা ঙাঙলবা, মোদি’সু পাউখুল্লক্কনি। দিবেট তৌনরক্কনি। অনীমক ৱা ঙাঙলক্তে, মরম অমা লৈবননি... মবানিনা উজবা, মণিপুরদা য়েংবা মীৎয়েং মান্নর’স্বদুননি ... লোক সভাগী সীট অনীখক লৈবা, চীংনুংগী ষ্টেট মচাসিদা ফুরুপ মচা অনীখক্না কাপ্পজবা, মখোয় মশেল হাত্তোক্লবা, ঐখোয় য়াওশিল্লুবগী কান্নববু করিনো? মাঙবা য়াবা মাঙলগা, রিলিভ পেকেজ ক্রোর খরা থাদরগা পেনখিদৌবা ফুরুপ্তুবু... মাঙনীংলগা মাঙখিসনু...।

তোকসি মখোয়গী ৱাখলসি - লাইমন কাঙলগা, মাঙজবনি ইশাগী। থিসি ঐখোয়বু অসুম’ তৌরম্বরা? ... অসি য়ৌনা পাঙদবা, মীপাল তাংবা’ হৈনবা, মথম্মোয়গী ৱাদুবু মমীৎ লাওবা শকমান্নদবা অমই মমাঙদা ফোঙদোকচবা ঙমদবা মীতোকচাক অমা কৈদৌঙৈ করম’ ওইরকখিবা ঐখোয়বু...? ইশানা ইশাদা হংজসি। পাউখুমদুসু লোৎলিবনি ইশাদা। থৌনা ফবা হুইজাও অমা কৈজাও অমই মমাঙদা উচি মচা ওনখিবা... কার্টুন পিকচর ওইর’সু, ইমিৎসিনা য়েংঙমখিদে। খনখি - ঐনা উচিদু ওইরল্লবা, থৱায় অসি মাঙল’সু কৈজাওদুগী মখোঙদা দাগফম নাইনা চিক্লম’নি।

হৌজিক্তি উরে-খঙলে-পুন্নমক্না... মণিপুর লৈঙাক-ময়া য়াওদ্রবা, চীকপা ঙমদ্রবা কৈদুনি, করিসু তৌবা ঙমদ্রবা। ঐখোয়গী মীহুৎ ময়ামসিসু কান্নদ্রবা ঙাক্তনি। ময়ূমদা মীদিয়া কৌদুনা ‘মীয়ামগা চৎমিন্নগনি, অপূনবা মণিপুরগী শক্তম ঙাক্কনি’ হায়না পীবা পাউজেলদু কনানসু তানীংদ্রে। ভি আই পি’না কনানো? লালহৌবনা করম্বা? ওফিসর অমসুং কেরানি করি খেন্নরিবগে? মীচম ঐসু লান্মীনি। পুন্না লান চঙমিন্নবা-পুংফমদুনি মাঙদা তারিবা। শেংদোক ৱারোল তানীংদে- মৈতৈশিংগী মথক্তা লান। লানফমসিদা ইন্দিয়ন ফোর্স য়াওশিল্লক্লে হায়বসি নাখৈ শেংলে হৌজিক্তি। পাম্মী ঐ - ৱাফমসিদা ইন্দিয়ন আর্মিগী সুপ্রিম কম্মান্দর, মঙোন্দগী ৱাহৈ অমা।

***—ইন্দ্রকুমার***

# লাংখোইপি

থায়না মমাঙঙৈদা খূৎকন পাঙ্গনবা মচিল মনাও মরিখক লৈরম্মী। মখোয়গী ময়াম্বা অহলগী মমিংদি লাংখোইপি কৌই। মচিল মনাও অহুম্না পামলৌ উরগা ময়াম্বা অহল লাংখোইপিনা লৌশঙদা লেক্তুনা লমওক, লমষণ ঙাক্তুনা লৈ। মনাওশিংনা মাগী চানবা নুমিৎ খুদিংগী পুরকপা চাক চয়োম, য়ুখোম অদু চারগা লৌরাং শুদুনা নাপি ফোইদুনা লৌশঙদা লেকই, ময়ূমদা হন্দে। নোংমদি মানা চয়োম থোক্লগা চাগে তৌবদা মাগী লৌফমগী অৱাং থংবা চুথেক্কী অশোংবা মোংশোং মরক্তগী লৌদ্রাওবীনা (রাদাওপুই কৌবা শা অমা) হা লাংখোইপি! হায়না মমিং কৌরল্লবদা লাংখোইপিনা হৌ হায়না খুমই। ঐবু কৌরিবা নহাক কনানো হংবদা ঐ লৌদ্রাওবীনি খুল্লকই। নহাক্কী চানবা চাক-এঞ্চাং পুরল্লব্রা হংবদা ঙসিদি চাক-এঞ্চাং পুরক্তে, য়ুখোম ওইনা পুরক্লে খুমই। চাক-এঞ্চাং পুরক্তবনিনা ঙসিদি তোকপীরগে হয়েংদগীদি নঙগী চাক শরুক অদু ঐঙোন্দা পীগদবনি। লৌদ্রাওবীবু কিবদগী লাংখোইপিনা মাগী চানবা পুরকপা চাক-এঞ্চাং অদু লৌদ্রাওবীদা পীজরগা মানা য়ুদা থক্তুনা লেল্লম্মী। অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী মাগী চাক-এঞ্চাং অদু লৌদ্রাওবীনা তত্তনা চাখিদুনা চরা হেন্দুনা লৈরকপদগী মহাক ময়াং কংশিল্লক্লে, নোংমা নোংমগী শোন্থরক্লে।

নোংমদি লাংখোইপিনা মফি মরোল য়োমশিল্লগা ময়ূমদা চৎকদবগী থোকপদা লৌদ্রাওবীনা থিংদুনা চৎহন্দ্রে। নহাক চৎখ্রবদি ঐ চরা হেনগনি অদুনা নহাক মফম অসি থাদোক্তুনা চৎপা য়াদে। লৌদ্রাওবীবু কিবদগী লাংখোইপি তৌফম খঙদ্রে, ময়ূমদা চৎপসু ঙমদ্রে। মথংগী নুমিৎতা মনাওনুপা অতোম্বনা মাগী চাননবা চাক-এঞ্চাং, য়ুখোম পুদুনা লাকপদা ময়াম্বা লাংখোইপিনা ময়াং কংদুনা চৎপা ফাওবা ঙমদনা শোনবদু উবদা ময়াম্বদা নারব্রা হংলকই। লাংখোইপিনা মনাওনুপা অতোম্বদা নখোয়না নুমিৎ খুদিংগী পুরকপা চাক-এঞ্চাং অদু লৌদ্রাওবীনা চাবদগী চরা হেন্দুনা য়াং কংলিবনি হায়না লোন্না ৱারী শারম্মী। ময়াম্বগী ৱাদু তাবদা মনাওনুপা অতোম্বদু ময়ূমদা হল্লগা ময়াম্বা অনীগা ৱাতান্নদুনা লৌদ্রাওবী হাৎনবা খুজিল থৌরাং তৌরক্লে। নোংঙাল্লগা মনাওনুপা অতোম্বনা ময়াম্বগী চাক চয়োম, য়ুখোম পুদুনা লাক্লগা লোন্না ময়াম্বগা ৱাতান্নরগা মচিল মনাও অহুম অদু মখূৎতা খূৎলায় অমমম পায়রগা লৌদ্রাওবী হাৎনবা লুমদুনা লৈখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা লৌদ্রাওবীনা চাক-এঞ্চাং পুরল্লব্রা হংবদা ঙসিদি চাক চয়োম, য়ুখোম অমত্তা পুরক্তে খুমই। মাগী ৱাদু তাবদা লৌদ্রাওবীনা শাউদুনা লাংখোইপি হাৎনবা মকোন্দগী থোরক্তুনা লৌশঙ তান্না লাক্লে। মতম অসিদা লুমদুনা লৈরিবা মচিল মনাও অহুম্না কোয়শিল্লগা লৌদ্রাওবী অদু হিংনা ফারে। অচৌবা পোলাং অমা শারগা মদুদা হাপচিন্দুনা লৌদ্রাওবীদু ময়ূমদা পুরক্লে, করিসু পীজদনা থল্লে, লাংখোইপিসু ময়ূমদা হল্লক্লে।

নোংমা অয়ূক অঙনবদা ষণ লাবা অমনা মো মো খোংবগী মখোল তাবদা লৌদ্রাওবীনা কিদুনা ‘হো মামা লাংখোইপি। মখোল অসি করিনো’ হংলক্লবদা ‘মসি মচি য়াম্না শাংবা ৱাইগনবা ষণনি, মানা ৱাইরবদি মী-শা হেক্তা শি’ হায়না লাংখোইপিনা খুল্লকই। ঙাইহাক লৈরগা হুইনা গৌ গৌ খোংলকপগী মখোল তাবদা করিগী মখোলনো হংলকপদা ময়া য়াম্না থৌবা, চিক্নবা হুইনা খোংবনি খুল্লকই। লাংখোইপিগী ৱাদু তাবদা লৌদ্রাওবী অদু কিরদুনা হো মামা ঐবু থাদোকপীরো ঐ য়াম্না কিরে। ঙাইহাক লৈরগা ওক চিক্নবগী মখোল তাবনে, য়েনবা চিক্নবগী মখোল তাবনে, লৌদ্রাওবী অদু কিবনা লৈফম খঙদ্রে, মশা থক থক নিক্লক্লে। হো মামা নঙগী য়ূমদা লৈরবদি ঐ শোয়দনা শিবা তারে, ঐ লোন্না চেনখ্রগে, ঐবু থাদোকপীরো হায়রল্লবদা ঐনা নঙবু থাদোকপা ঙমদে, ইনাওশিংনা নঙবু ফাবনি, মখোয় লাক্লগা হংখিগে খুল্লকই। লাংখোইপিগী ৱাদু তাবদা লৌদ্রাওবীনা হো মামা ঐবু নুংশিবীয়ু। ঐবু থাদোকপীরবদি ‘গু-পুইবুং’ কৌবা মমল য়াম্বা পোৎশক অমা নঙোন্দা পীরমগে, মসি উল্লবদি নহাক অরাম খৌরাংবা লৈররোই, চাক চাদ্রবসু, ঈশিং থক্ত্রবসু য়াগনি। লৌদ্রাওবীগী ৱাদু তাবদা মহাক পাল্লে। ফরে অদুদি নহাক্কী গু-পুইবুং অদু ঐঙোন্দা হান্না পীরো, ঐ উমদুনা য়েংগে অদুগা কোন্না নহাকপু থাদোকপীগে। লৌদ্রাওবীনা মবুক মনুংদা য়োৎশিন্দুনা থল্লিবা গু-পুইবুং অদু ওথোক্লগা পীরে। লাংখোইপিনা গু-পুইবুং অদু উম্বদা মহাক অরাম খৌরাংবা কোক্লে। মদুদা হরাওদুনা লাংখোইপিনা লৌদ্রাওবী অদু থাদোকপীরে।

লৌদ্রাওবীনা পীরম্বা গু-পুইবুং অদু উম্বা নুমিৎতগী লাংখোইপিদি অরাম খৌরাংবা কোক্তুনা চাক-এঞ্চাং চাগনি, য়ু থক্কনি কাউরে। অসুম্না অরাম খৌরাংবা লৈত্রবদা মহাক কোয়দুনতা লৈখ্রে, ময়ূমদা হনজিনগনি খনখিদ্রে। অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী লাংখোইপিনা ময়ূমদা হন্দনা পাখং ফান্দা তূমদুনা লৈথোকপা থা অমা ফাজিল্লক্লে। ময়াম্বনা ময়ূমদা হল্লক্তবা থা ফাজিল্লক্লবদা মনাওশিংনা মাবু থিবা লাক্লে। পাখং ফান্দা নিংঙাইদনা তূমদুনা লৈরিবা ময়াম্বদু হৌদোক্লগা ময়ূমদা চৎলসি হায়বদা লাংখোইপিনা য়াদে। ময়াম্বনা ময়ূমদা হনসি য়াদ্রিবসি করিগীনো, মহাক করি চাদুনা হিংলিবনো খঙনীংদুনা মনাও অতোম্বনা ময়াম্বা খঙহন্দনা লোন্না লুমদুনা য়েংখি। লাংখোইপিনা চাক হেক লাম্বগা গু-পুইবুংদু ঙাইহাক উল্লগা অরাম্বা কোক্তুনা হান্নগুম ফিজিদা কিশিল্লি। ময়াম্বা লাংখোইপিনা তৌরিবদু মনাও অতোম্বনা উরদুনা ময়ূমদা হনখ্রগা ময়াম্বা অনীদা তম্লুরে। মনাওগী ৱাদু তাবদা মখোয় অহুম্না ময়াম্বগী মনাক্তা লাক্লগা ময়ূমদা পুরক্লে। মনাওশিংদা খঙহন্নীংদদুনা লাংখোইপিনা গু-পুইবুং অদু ময়াদা উমদুনা পুরকই। মহাক্না শুমাং হেক য়ৌরকপদা মনাওনুপা অতোম্বদু থুনা ইমুংদা চেনশিনখিদুনা ময়াম্বনা থোঙজিন্দা মখোঙ কানশিনবদা নেৎকদবা মফম অদুদা খোই কৌবা কোঙ্গোন থোকপা য়াম্না নানবা পোৎশক্তু লৈমায়দা তৈশিল্লে। লাংখোইপিদি খঙদদুনা মথৱায় নুংঙাইনা থোঙজিন কানশিনবদা মখোঙনা লৈমায়দা হেক নেৎথবদা নাম্বুদুনা তুরে। মহাক ফিভম চাদনা খঙহৌদনা তুবদা ময়াদা উল্লিবা গু-পুইবুং অদু ময়া মনুংদগী চোংথোরল্লগা লৈবাক্তা তাদুনা থরো থরো ওনবদু উবদা মনাওনুপা অতোম্বনা খুল্লগা ময়াদা উমশিনখ্রে। মদু হেক উম্বদা মাসু অরাম খৌরাংবা কোক্লে। অদুদগী মচিন মনাওশিং অদু মুন্না মুন্নদুনা উম্বদা মখোয় পূম্নমক অরাম খৌরাংবা কোক্লখি। অসুম্না মমল য়াম্বা পোৎশক অসি মী অমত্তগী ওইবা য়াদে, ঐখোয় ইচিল ইনাও মরিনা উম্বা য়ানবা মচেৎ মরি থোক্না থুগাইরগা য়েন্নরসি লেপ্পরে। গু-পুইবুং অদু শুমাংদা পুথোক্লগা নূঙপাক অমগী মথক্তা থল্লগা শুক্না হাইগৎতুনা শুবদা কায়বা ঙমদদুনা নাম্থোল্লগা চোংথোকখিদুনা লাংমাইজৈ কৌবা ঈশিংনা পিক থন্না লৈবা লুরবা পাৎ অমগী ময়াইদা তাখ্রে। মখোয় ঈশিংদা কুমদুনা থিবদা ফংদ্রে। গু-পুইবুং মাঙলবদা মখোয় মরিদু মথ্বায় নুংঙাইত্রে।

মতম খরা লৈরগা গু-পুইবুং তাখিবা মফম অদুমক্তদা ফৌ পাম্বী অমা হৌগৎলক্লে। নোংমা লাংখোইপিগী মমঙদা লৌদ্রাওবী অদু লাক্লগা লাংমাইজৈগী ঈয়াইদা হৌরিবা ফৌ চরোং অদু হেক্লগা ফৌ মরূ অদু লৌবুক্তা হুল্লু, মদুদগী লোক্লকপা ফৌশিং অদু চারবদি নপুন্সি চূপ্পা চাবা ৱাৎলোই হায়রম্মী। মমঙগী ৱাদু মনাওশিংদা তমদুনা খঙহল্লে। মখোয় মরিনা চৎতুনা য়েংবদা ঈশিংগী ঈয়াইদা হৌরিবা চরোং চুম্বা ফৌ পাম্বী অদু হেকপা ঙমদদুনা হল্লক্লে।

নোংমা লমউচি অমা লাক্তুনা নখোয়না হেকপা ঙমদবা ফৌ চরোং অদু ঐ হেকপীগে হায়ররে। করম তৌরগা পাল্লবা ঈশিং ঈয়াইদা হৌরিবা ফৌ চরোং অদু হেক্কদৌরিবনো হংবদা লাংচি কৌবা উপাম্বী অদুগী মনাদু তরেৎ হেক্লগা লোন্নরগা ঈশিংদা থাদরগা ঐনা মদুগী মথক্তা তোংদুনা ফৌ মরূশিং অদু হেক্লুগদবনি হায়রক্লে। লমউচিগী ৱাদু থাজরদুনা মচিল মনাওনা য়াম্না ৱানা চৎতুনা লাংচি উগী মনা তরেৎ হেক্লুরগা মথং মথং লোন্দুনা ঈশিংদা থাদরে। লমউচিনা উনা অদুদা তোংলগা চৎখিদুনা ফৌ পাম্বীদা পাল্লিবা ফৌ মরূশিং অদু মচিন্না চিকথৎলগা উনাদা হাপচিন্দুনা পুরল্লগা মখোয়দা পীররে। মদুদা মচিল মনাও মরিদু য়াম্না হরাওরে। হা লমউচি! নহাক্না পুরকপা ফৌ মরূশিং অসিদগী নঙগী শরুক খরা লৌজরো হায়ববু লমউচিনা য়াখিদে। ঐগীদমক্তদি করিমতা পীবিগনু, নখোয়না নুংশিবীরগা ঐগী ইচিল ইনাও, ইচা ইশুশিংনা চানবা খরদি খাইবীয়ু। লমউচিগী ৱাফমদু তাবদা মচিল মনাও মরিনা নখোয় ময়ামগী চহী খুদিংগী তোঙানবা লৌফম অমা ফৌ থাবীরে। মদু চারবদি নখোয় চরা হেল্লরোই হায়বদা লমউচিদু য়াদে। ঐখোয়গীদমক্তা ফৌ তোঙান্না থাবীগনু, নখোয়না লৈবা মফমদা ঐখোয়সু লৈজগে, নখোয়না চাবগী অরেম অপা অদু খুন্দুনা চাজগে হায়রল্লবদা মচিল মনাও মরিসু হরাওনা য়াবিরে। নুমিৎ অদুদগী হৌনা তাইবঙ মীগী য়ূমদা উচিগা মীগা লৈমিন্নবা হৌখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী’ দগী লৌখৎচবা)**

# ঙক্লা ফজৈদকো লৈশেমসে

ইম্ফালদগী দেল্লী ফাও চৎপনি। নোংথক্কী লম্বীদা এরোপ্লেনদা। মরক্তা গুৱাহাটিদা তাই। অদুনা পুং ৪ পুরা চঙই। ঐগী মরুপ অমনা শোল্লি। দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈরদি ফগদবা। মতম য়াম মাঙমল্লি।

ঐ থোঙনাওগা থংনবা ফম্ফমদা তাই। ফৈ। এরোপ্লেন মনুংদৈ থোঙনাওদা অতিয়া, লৈচিল, চীংদোল অউ অউবা পোৎ য়েং য়েংদুনা চৎলি। ঐগী হৈনবীনি। ৱাখল মওল মওল খল্লি। নুংশিৎকী মাঙ থানা হিংই। সিট অহুম অহুম থাই মরক্তা আইল। নহা ওইরিবা মতৈ মনাও, মচা পিশক অমগা ঐগা ফম্মিন্নৈ। ঐনা থোঙনাওগা থংননা, নুপাদুনা ময়ায়দা, মমা-মচাদুনা আইলগা তাইননা। ইম্ফালদৈ গুৱাহাটি ফাওদি মিনট ৪০ মুক্তা চঙই। লমশাং চৎপগী তূম্নিংবা, অরাম-খৌরাংবা পোল্লকপদা, মপাল থোক্লিংবকা ফাওদ্রিঙৈদা পাইখৎলগা ঙাইহাক পাইরগা অদুম পাইথবদৌনা ফাওই। থুই। লান মমাঙদা ইধৌহোয়না ষণগাড়ীনা গুৱাহাটি ফাওদুনা লল্লোনবা চৎলি হায়বদু নারোন্দা নীংশিংলকই। অতিয়াই লম্বীসি ফনা য়াম্না চৎলসু পাইখৎপগী অহানবা মিনট খরদি লৈখাদগী নোংথক্তা হৈনহনবা অমা চঙই। লোইরোই ৱাংখৎখিবদি কৈসু থোইদোক্তে। জর-র নেমথবা মতাংদুদি নুংশা শ্বরগা হকচাংগা শম্নদবগুম ফাওই। ইশাসি ইতাও তাওই। তারমদাই য়ৌরকপদসু ফনা ৱাৎলিঙৈদগী মিনট ১০ হেন্না ৱাৎলিঙৈদগী হন্না হন্না লাওথোক্তুনা শেম শাবা হৌই। থোঙনাও লোনশিনহন্দে। ফম্ফম ঙমথহন্দনবা হায়। লাওথোকই। এয়র হোষ্টেজশিংনা কোয়চৎ চক্তুনা য়েংই। সিট বেল্ট ফাজিন্নবা হায়।

গুৱাহাটিদা পেসেঞ্জর ময়াম অমা কুমথহৌই। দেল্লী চৎকদবা ময়াম অমসু কাখৎলকই। ঙাইহাক খোইরেন মসা পাই। নুমিৎয়ুংবা মতমনি। নুংশাসু ফনা শাগৎলক্লে। মীনিলসু ফাওরক্লে। মতাংশ্বাইদা অঙাং পিশক অমা য়াওরি হায়সি লৈচিলদগী নুমিৎ থিন্দোকপগুম থিন্দোরক্লে। তস, মী ওইনা পোল্লকদবু। লেম্না লৈ যাব্রদো।

পিল্লিবা অঙাংনি। ফৈরাথক্কী নাৱানি। চৎপা হৈত্রিবা। মরোল থোক্ত্রিবা। অঙাংগী মরোলদা আ আ হায়দুনা লেঙ লেঙ চৎখৎলকই। মমায়, মনাতোন্দা, আনোক্তা, মশমদা পায়। মমাঙ থংবা সিটকী মনিংদা মখূৎ মচাদুনা পাক পাক থাই। মতামা তৌরকই। নিংঙাইনি হায়সিরা। নিংঙাইমক্তি নত্তে। কপ্পমক্তি কপত্রি। ইরেন পম্বীবসু য়াদে। থেক্তোকই। মমাদু মচাই মরোল খঙনবা কন্না হোৎনৈ। হুইদৌনা খোংদুনা লক্লে। হৌদোংদৌনা খোংদুনা থেন্মী। য়াদে। মা য়ানীংদে। আ আদগী খরা খরা কনখৎলক্লে। হেন্না হেন্না থেক্তোকপা হেনগৎলকই। শান্নবা মাল্লক্ত্রে। চাননবা নিংঙাই হৌরে। ঐনবু খল্লি। মমাসি ৱাজররিনিদা। ফনা হোৎনজবনি। মতৈ মনাওসি হুই হৌদোংদি নুংশিনা লোইবীবজাৎনি। জীব লোয়নবা ওম্থোক্লা হৈরিনি। কৈনো মৌ নহাদুনা হুইনাও মচা খোংবগুম খোংবা, হৌদোংগুম খোংবা য়াম্না মান্না খোংই। অঙাং থেল্লিবনি। মীৎচিনা য়েংবদা ঐদি কুম্মৈ ওইরে। করিনো মমাসিনা থংনবা পেসেঞ্জরশিং নুংঙাইখিরোই হায়বৈ পাখৎচবা অমা য়াওনা মচাদু থেম্নবা হোৎনরিসিবু। ঐদি কৈসু শাওনীংদে। নুংঙাইতবা তৌদে। মায়থোঙদা করিদা হৈনদবৈ মমি অতৈ অনকপা পেসেঞ্জরশিংদসু তাবা উদে। তানীংঙাইসু ওইদে। অঙাংনবু। করি খঙদুনা। নুংশিদবা অঙাং লৈতে। অঙাংনা তৌথোরকপা পূম্নমক নুংশি। ওইৱোইনবা অমত্তা য়াওদে। রাশীনা মপং মপং পকই। লূরবা অঙাংগী মীৎতা তৌশিন্নবা অমত্তা, অরানবা অমত্তা পক্তে। পূমশেং শেংই। লৈচিল থাংদবা অতিয়াগুম। টিভিদা উবা কৈ মচাফাও নুংশি। কাফৈ কাফৈ তূম্পক তূম্পক চেল্লদুনা। মখোঙনা তবং তবং চেনবদু নুংশিখ্রবনি। কনানোমনবুদি শগোল মচাদংদি নুংশিদবনি হায়খি। তৌরিনি। মশক্তো হৈমন-শিংমন্দুনা।

মমাদু ঙাইহাক হৌগৎতুনা মচাদু মথুন্দা, ময়াংলেন্দা বুব বুব ফূ-নান্দুনা থেমজৈ। য়াবিদে। এয়র হোষ্টেজ অমসু চঙশিল্লক্তুনা মমিৎ-ও মনা-ও থেম্বা য়াওজরৈ। অঙাংগী নিংঙাইদা অমত্তা চঙদে। পাম্বৈ লৈত্রদুনা সিটকী বতন্দু নমদুনা ঙমথহন্দুনা শেম্বীরম্লগা চৎখ্রে। অঙাংগী নিংঙাই - ঐনা খল্লি - করম্না থেমগনি? ঐদি বুদ্ধি মাঙলে। মপাদুসু মাঙবা মাল্লি। মমাদুদি? মাদি কৈসু তৌদবা মাল্লি। ‘তূম্মোনে ইমাইবুংঙো নঙবো। কৈদৌরগে সনা মতুম।’ ময়ুংবু হান্নিংলিব্রা? মথিবু ফায়নিংলিদ্রা? ঐনা খল্লি। ঙসিগীসিনা মায় পুন্সিগী ইহান হানবা এরোপ্লেন তোংবা ওইরিদ্রা? নহানমখৈগা ইমান মান্নদবা কৈদাসিদা খোয়রাং খোয়শাওনরবজাৎলা? মশাদু থেক্তোক থেক্তোক্তুনা মরেং মরেং লেঙই- মাই আ আ হায়দু সিট পরেং অনী অহুমদি তারনি। ‘ইমাবু ৱারে কৈদৌগে নীংথেম। ইমাদা ঙাইহাক্তা পোথারো নঙবো।’

মীগীদমক খনবিরিবা করিগীনো মমা নঙবো? নঙগী নচাদো ঐঙোন্দা কৈসু খোইদৌ নাদে। অতৈদসু অদুমঙাই - কৈসু তৌরম্মোই। নঙনা ঐখোয়গীদমক ৱাবিবা অমা উবদুদা নঙগীদমক ঐখোয়না হেন্না নুংঙাইবিদ্রে। ঐনা খল্লি।

ভারতকুম্বা লৈবাক্তা এরোপ্লেন তোংদুনা চৎপদা, লমকোয়বদা য়াম্না তোংঙানবা মহাউ অমা লৈ। তোঙান তোঙানবা লোল, ফিজেৎ-চাকচা ময়াম অমা থেংনবগী মনুংঙাই অমা লৈরি। লোল খঙদ্রসু সুম তাবদা নুংঙাই - অর্থ ফাও হায়ফেৎ শাজিন্দুনা নুংঙাইরিবনি। ফিজেৎ চাকচা য়েংবদা মহোয়সি মদু ওইনিফাও হায়বা ঙম্মী। হৌজিক্তি জিন খোংগ্রাও, ফুরিৎ অচম্বা টি সর্টকুম্বা অমা লিৎলগা য়াম্না কোম্না নুংঙাইনা চৎনৈ। নুপাসু নুপীসু। শেৎপা চাবদা নুপাগা নুপীগা খেন্নদে। অসোমদনা মালেমগী খোঙচৎ শম্না মফৈ অমত্তা কায়দবদুমঙাই। অঙাংদু থেক্তোক থেক্তোক্তুনা মরেং মরেং চৎপা, কপ্তি কপ্তুনা লাউবা, নুংঙাইতবগী লীলা শান্নবা লেপ্তে। মমাদুনা লৈজবা পাম্বৈ তৌদুনা হোৎনবদা ঙমদ্রে। অঙাংগী খূত্তা মায়থীরে। অঙাং নাৱাদু কপ্পে মওং তৌরক্লে। কপখৎলকপা অমা য়াওশিল্লক্লে। পুংমুক হেল্লক্লবনি কৈনো মমা মচাগী কুম্মৈদো।

মৌ নহা মমাদু নহা ওইরিবা মপাদুদা মনাকোং ময়াদা মখূৎ হায়ফেৎ খন্দুনা কৈনোমা হায়খিবদৌনা তৌই। মীৎকুপ খরগী মতুংদা মপাদু ঐঙোন্দা ওনশিল্লক্তুনা হায়রকই,

‘তামো, থোঙনাওগী সিটতুদা ঙাইহাক্তা ফমহঞ্জগেবা। অঙাংসিনা নিংঙাই তৌবসিদা।’

‘কৈসু কাইদে কৈনো। ওম্থোক্লরগা লোইরে ইনাওসিদি?

চাজেনবীদুনা থোঙনাও ময়াদা, মপানা ময়ায়দা হান্নগুম, ঐনা আইলগা তাইননা। তাঞ্জাদুদা ঐ ৱাসরুমদা চঙথোক্লুরে। ঐনা হল্লকপদা মমাদু থোঙনাওরোমদা লৈশিন্দুনা মচাদু খোল্লাং মায়োক্লন্দুনা লৈরম্মী। মপাদুনা খবর অমা ফাক্তোক্তুনা য়েংদুনা লৈরম্মী। পাবা পাদবা দৃশ্যদু হায়ফেৎ খঞ্জিনবগী মওংনি। ঐ য়েংলুদে অদু ওইরসু উই। খঙই করিগী খঙদনি। এ, মসিগী ওইরে। অসিনি খঙলদি ঙসাইনা কোক হেক তৌবিবা য়াবসিবু। কৈ কান্নবা অঙাং মখোয়দৌ থিৎনবা। অঙাং চেল্লদি ফি মচা অমদি লোয়নবা ফবা জাৎ ওইরে। নুপীগী জগৎ সংসার চনবা হেন্দবেগতা ঙসিদি মচল অমা অনী চিৎথরমাল্লেদো। নহানুবী তনৌরিবীনিনা মফুরিৎ মচি অমা ফৎ হাইদোক্তুনা হেক হোৎনবদু ইকাইদুনা ঙাইহাক ম্যাও ম্যাও খোংদুনা মমীৎ মনানা থেম্নবা হোৎনরি জাৎ ওইরে ঙসাইমখৈ। মমাদুদি মচাই মরোল খঙবা কুইরবজাৎ ওইরে। মপাদুগা ঐগতা ওইরমান্নে খঙলুদ্রিসি। ঐনবু মখনখি মমাসি বুদ্ধি মাঙমনদেদা। মচাই চক্রি মতাদুদা। অঙাংদুই আ আ হায়দু ইমা নঙ খঙনা খঙনা কৈগী খঙশিন্নদ্রিনো হায়বজাৎলা কৈনো- মমা মচা লোল অদুম ফাওনবজাৎনি।

অঙাং নাৱাদু মমাগী মথাদা ইশি শিনা তুমজবা মীৎচিনা উই। কোফি অমা কৌদুনা থক্লে। লৈখিদ্রবী ইমা নীংশিংলকই। নৌহৌনা নুংশিরকই। মালেম লৈমসি পিক্লা উরকই। ইমানা কেন্দ্র ওইরগা উরু-উরু লৈবা পোৎশক্লুম শাফোংলকই- মীগী ইতিহাস, মীগী সভ্যতা, মীগ-মীগগী মরী। ইমানা অহৌবনি। ইমানা অরোইবনি। নুপীগী তোঙানবা শক্লোন অমা উরকপগুম ফাওই। মঙ-ওই হা-ওই। ঐ উরোন শারোন তৌরুরমাল্লে। প্লেন তারমদাই নকশিল্লম্মে। নুংশি মতুমদুদি মমাগী মথানুংদা নুংঙাইনা তুমখুন হুল্লি।

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘আ!! থম্মোয় লকানুংদগী’ দগী লৌখৎচবা)**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।